# মেম্বর ৫৪৩ খন্নবা লোক সভা মীখলগী অরোইবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনবা লোইখ্রে

### নীংতম্বা ইন্দিয়াগী অহানবা মীখলদা ভোট থাদখিবা চহী ১০২ শুরবা অহল হিমাচলদা ভোট থাদখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে ১৯ঃ***
ঙসি ৭শুবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবগা লোয়ননা এপ্রিল ১১দগী হৌনা থা অমা মখাইরোম চংনা শাংলবা লোক সভা মীখল – ২০১৯ লোইশিনখ্রে।

পূন্না লোক সভা মেম্বর ৫৪৩ খন্নবগী পাংথোক্লকখিবা মীখল অসি এপ্রিল ১১, এপ্রিল ১৮, এপ্রিল ২৩, এপ্রিল ২৯, মে ৬, মে ১২ অমসুং ঙসি মে ১৯, তাঙ্কক ৭ থোক্না চত্থরকখিবনি।

১৭ শুবা লোক সভা শেন্নবগী অরোইবা তাঙ্কককী ঙসি ভোট থাদনখিবদা নীংতম্বা ইন্দিয়াগী ইহান হানবা মীখলদা ভোট থাদখিবা হৌজিক মশাগী চহী ১০২ শুরবা অহল অদুসু ঙসি হিমাচল প্রদেশতা ৩১লকশুবা মহাক্কী ভোট থাদখ্রে।

১৯৫১দা লৈবাকসিগী অহানবা জেনরেল ইলেক্সনদসু শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ১০২ শুরবা ভোটর শ্যাম চরন নেগীনা পার্লিয়ামেন্ট সিট ৪গী মীখল পাংথোক্লিবা হিমাচল প্রদেশকী কিননাওর দিষ্ট্রিক্টকী ফজরবা খূন মচা অমদা ভোট থাদখি।

ষ্টেট অসিগী কোনুং শিমলাদগী কিলোমিটর ২৭৫ রোম লাপ্পা কলপাদা মিষ্টর নেগীনা পাউমীশিংদা হায়খি– ঐনা ভোট থাদনবগী তাঞ্জা অমত্তা কৈদৌঙৈদা মাঙহল্লকখিদে। দেমোক্রেসিদা কন্না থাজবা চহী ১০২ শুরবা অহল অসিনা লোক সভা মীখলশিং, এসিমব্লি মীখলশিং নৎত্রগা পঞ্চায়ট মীখলশিং ওইরবসু মীখল অমত্তদা মহাক কৈদৌঙৈদা ভোট থাদবা শোয়দে।

১৯৫১দা থবক্তগী পোত্থারবা স্কুল ওজা অমা ওইখিবা শ্যাম নেগি ইলেক্সন দ্যুটি অমদা চৎখি অমসুং কোন্না কিন্নাওর হায়না মমিং ওনখিবা চিনি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা মহাক্কী ভোট থাদখি।

মতম অদুদা চীংগী ষ্টেট অসিগী উন তাবা মফমশিংদা ভোট থাদবা অদু লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা ভোট থাদগদবা অদুদগী মাঙজৌননা পাংথোকই।

হন্দক্কী অসিদা মহাক্না ৩১রক শুবা মহাক্কী ভোট থাদরি। মহাক্না পার্লিয়ামেন্টরি মীখল ১৭ অমসুং এসেমব্লি মীখল ১৪ দা ভোট থারকখ্রে। ২০০৭গী এসেমব্লি মীখলদা ইহান হানবা ওইনা ইলেক্সন ওফিসেল অমগা মহাক্না উন্নখি অমসুং মদুগী মতূংদগী মীখল খুদিংদা মহাক্কী পাউ য়াওরকখি হায়না ষ্টেট ইলেক্সন ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

লোক সভা মীখলগী ৭শুবা অমসুং অরোইবা তাঙ্কক্তা ঙসি ভোট থাদনখিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অদুদি – পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, বেঙ্গল, মধ্য প্রদেশ, বিহার, হিমাচল প্রদেশ, ঝরখন্দ অমসুং চান্দিগড় নি।

# বেঙ্গলদা অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ক্রুদ বোমশিং পোকখায়খ্রে, মীরেপশিংদা খূৎ থাখ্রে



***কোলকতা, মে ১৯ঃ***
ঙসি অরোইবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লোক সভা সিট ৪২গী মনূংদগী সিট ৯ অমসুং এসেমব্লি সিট ১গী ভোট থাদনরিঙৈদা ক্রুদ বোমশিং পোকখাইখ্রে, লিচৈনা কন্না তানখাইখ্রে অমসুং মীরেপশিংদা খূৎ থারকই হায়বগী ৱাখৎশিং লাকখ্রে।

থোক্লিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিরমলা সিতারমননা ভোট মশীং থিবা লোয়দ্রিবা ফাওবা ষ্টেট অসিদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং মখা তানা লৈহন্নবা ফোঙদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশকী সিট ৮০গী মথঙদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ৪২ অসিনা লোক সভাদা ২শুবা খ্বাইদগী য়াম্বা মেম্বর মশীংনি। ষ্টেট অসিদা মীখলগী তাঙ্কক ৭ মক্তা ভোট থাদখি অমসুং তাঙ্কক খুদিংমক্তা হীংশাগী থৌদোক থোকপগী পাউ লৈখি।

মীখল মতূংদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা হীংশা তৌনবা হোৎনরকপা য়াবগী অকীবা লৈ, মরম অদুনা মফম অসিদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং শোয়দনমক মখা তানা লৈগদবনি। ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা হীংশা তৌবগী মখোয়গী আইদিওলোজি অদুদা লেঙদনা লৈ হায়না নিরমলা সিতারমননা হায়খি।

হীংশা অদুদা বি জে পি ৱার্করশিংসু য়াওই হায়বগী মতাংদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না মদু অশোনবা মরৈ অমনি হায়না ঐনা খল্লি। হীশা তৌরিবদু কাননো হায়বসি মীওই খুদিংমক্না খঙই হায়খি।

ত্রিনামুলনা হীংশা অদু বি জে পিনা চত্থরকপনি হায়না মরান শীখি অমসুং বি জে পিদগী য়াথং লৌবগী, সিটিজনশিংবু অমসুং ত্রিনামুল ৱার্করশিংবু মীনুংশি খংদনা ফুবগীদমক সেন্ট্রেল ফোর্সশিংবু মরান শীখি।

ঙসি মহাক্কী ভোট থাদরবা তূংদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা সেন্ট্রল ফোর্সশিংনা অমসুং বি জে পি ৱার্করশিংনা চত্থখিবা মীওৎ–মীনৈ অদু মমাঙদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওং অমনি। মসিগুম্বা অসি ঐহাক্না কৈদৌঙৈদা উখিদ্রি হায়খি।

হান্নগী ত্রিনামুল লোমেকর অর্জন সিংহগী মচানুপা বি জে পিগী পৱান কুমার সিংহগী মায়োক্তা ষ্টেট এসেমব্লিগী বাই–পোলদা ত্রিনামুলগী হান্নগী মিনিষ্টর মদন মিত্রনা লেপ্লিবা ভাতপরাদা মায়োক্লবা গ্রুপশিং ক্রুদ বোমশিং লংশিন্নখি।

নকনা অনী খৎন–চৈনবা অদু পুলিসনা লিচৈনা তনখাইরবা মতূং খক্তদা লাকশিনখি। ইলেক্সন কমিসননা রিপোর্ট থাগৎলক্লবা খংহলকখ্রে।

ষ্টেট কোনুং কোলকাতাদগী বি জে পি মীরেপ ২না মখোয়দা ফুরকখে হায়না ফোঙদোক্লরকখি। কোলকাতাগী ময়োল যাদবপুর য়াওনা ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা ইভিএম শিং য়াদে হায়নসু বি জে পিনা ফোঙদোকখি।

মীয়ান্না 'গো বেক' খোল্লাওশিং লাওরকখিবদা মীওই খূৎপু অমনা নোর্থ কোলকাতা সিটিকী বি জে পি মীরেপ রাহুল সিনহবু খূৎ থারকখি অমসুং মহাক পার্ক সর্কাসতা স্কুল অমদা ফাদুনা থমখি হায়খি।

বি জে পি য়াওরকখিবা অমসুং যাদবপুরদগী কন্টেষ্ট তৌরিবা তান্থোক্লকখিবা ত্রিনামুল লিদর অনুপম হজরানসু মহাক্কী কারদা নুংনা থাজিল্লকখি হায়রি।

মমতা বেনর্জিগী মখুরাগী মচা অভিসেখ বেনর্জিনা সিটিং লোমেকর ওইরিবা দাইমন্দ হরবর সিটতগী কন্টেষ্ট তৌরিবা বি জে পিগী নিরঞ্জন রোইদগীসু অসিগুম্বা মান্নবা ৱাকৎশিং লাকখি।

# 'হাৎনব'গী ৱাথোক ঃ কেজ্রিৱালগী সেক্যুরিটি লৌথোক্লবা বি জে পিনা দিমান্দ তৌরি



***ন্যু দিল্লি, মে ১৯ঃ***
দিল্লি চীফ মিনিষ্টরনা মহাক মশাগী সেক্যুরিটি দিটেলনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনরব্রা হায়বগী অকীবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবগী তূংদা বি জে পি দিল্লি য়ুনিটনা ঙসি অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী সেক্যুরিটি কোভর লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌদুনা সিটি পুলিসতা চে ইখ্রে।

দিল্লি পুলিসনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদগী লাল্লে অমা হায়জরক্লবা হায়গদবনি অমসুং করিগুম্বা মহাক্না লাল্লে হায়জদ্রবদি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্যুরিটি পৱার অদু লৌথোক্কদবনি হায়না দিল্লি বি জে পি ৱাঙাংলোই প্রবীন শঙ্কর কাপুরনা চিঠি অমদা ইখি।

দিল্লি কমিস্নার ওফ পুলিস, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং লেপটনেন্ট গভর্নর দিল্লিদসু চিঠি অদুগী কোপিশিং থাখ্রে।

মিষ্টর কেজ্রি ৱালগী ৱাঙাং অদু তারবা তূংদা মঙোন্দা থল্লিবা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলগী ৱাখলগী ফিভম অদগী মতাংদা মিষ্টর কাপুরনা নূংনাংবা অদুসু ফোঙদোকখি।

মখোয়না ঙাক শেল্লিবা মীওই অদুনা মখোয়গী খূৎতা মহাক শিগনি হায়বগী অকীবা ফোঙদোকপা ৱাফম অদু তাবদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী অকোইবদা ঙাকশেল্লিবা সেক্যুরিটি স্কৱাদ অদু শোয়দনমক ৱাখলগী অৱাবা মায়োক্লগনি হায়বসি ঐনা থাজে মরম অদুনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱাগী অকোইবদা ঙাক শেলহল্লিবা সেক্যুরিটি ষ্টাফ পূন্নমকপু সাইকোলোজিকেল কাউন্সিলিং শোয়দনমক পীগদবনি হায়না দিল্লি বি জে পি ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তাখি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা পঞ্জাবতা ন্যুজ চেনেল অমদা ৱা ঙাংবদা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীবু মহাক্কী পার্সোনেল সেক্যুরিটি ওফিসারশিংনা হাৎখিবা অদুগুম্না মহাকপুসু হাৎখিবা য়াই হায়খিবনি। ইন্দিরা গান্ধীদা তৌখিবা অদুগুম্না বি জে পিনা শিন্দুনা ঐ ইশাগী পি এস ও( পার্সোনেল সেক্যুরিটি ওফিসার)না নোংমদি হাৎহলনখিগনি। ঐগী সেক্যুরিটি ওফিসারশিংনা বি জে পিদা রিপোর্ট তৌহি। বি জে পিনা ঐগী পূন্সিবু লূমদুনা লৈরি। নোংমদি মখোয়না ঐবু হাৎকদৌরি হায়না মিষ্টর কেজ্রিৱালনা পঞ্জাবতা পাউগী চেনেল অমদা হায়খি।

# নক্সালনা গাদচিরোলিদা বন্দ কৌখ্রে

***গাদচিরোলি, মে ১৯ঃ***
হৌখিবা থাদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্কবগী থৌদোক অমদা মখোয়গী নুপী মেম্বর ২ হাৎখিবগী মায়োক্তা নক্সালশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তূনা মহারাষ্ট্রগী গাদচিরোলি দিষ্ট্রিক্টতা বন্দ কৌখ্রে।

এতাপল্লি তহসিলগী তোঙান তোঙানবা খূঙ্গংশিংদা বন্দ মপূং ফাহন্নবা বেন্নরশিং থেৎখি অমসুং চেজাইশিং চাইখি।

অশেঙবদি গাদচিরোলিদা মে ১দা নক্সালশিং অদুনা লেন্দমাইন বোম অমা পোকখাইহন্দুনা পুলিসমে ১৫ অমসুং দ্রাইভর ১ হাৎখিবনি। নক্সালশিংগী বন্দ অদুদা ট্রক ১ মৈ থাখ্রে হায়রি।

# কাস্মিরদা খূৎ থোক্লবা অনীদা টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে

***শ্রীনগর, মে ১৯ঃ***
কাস্মির তম্পাক্তা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা খূৎ থোক্লবা থৌদোক ২দা হিজবুল মুজাহিদীন টেরোরিষ্ট ৪ শিখ্রে। শিখিবা টেরোরিষ্টশিং অদুগী মনুংদা হৌখিবা চহীগী জুনদা টেরোরিষ্টশিংনা ফাখিবা অমসুং নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা ৪৪–আর আরগী লান্মী ঔরঙ্গজেব হাৎপদা চেন্নবা অমসু য়াওরি।

লান্মী অদু হাৎখিবা অদু য়াওনা টেরোরিষ্ট ৩ খা কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী অৱান্তিপোরগী পঞ্জগামদা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। ৪শুবা অদুনা অৱাং কাস্মিরগী সোপোরগী মনূং চনবা হাখলাঙ্গুদা শিখিবনি।

অৱন্তিপোরা এস এস পি (সেনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস) তাহির সালিমনা পঞ্জগামদা ফাখিবা টেরোরিষ্ট ৩ মশক খংলে হায়খি।

মদুদা য়াওরিবা পঞ্জগামদগী শৌকৎ অহমদ দর হায়রিবা অসি, হৌখিবা চহীগী মে ১দা হিজবুল কমান্দর সামীর টাইগর হাৎখিবা টিমদা য়াওখিবা ঔরঙ্গজেব হকথেঙননা য়াওবা মীওইনি হায়রি।

# এস–৪০০ লৈরবা তূংদা রসিয়াগা পূন্না এস–৫০০ দিফেন্স সিষ্টেমশিং শাগনি ঃ টর্কি



***অঙ্করা, মে ১৯ঃ***
রসিয়াদগী এস–৪০০ দিফেন্স সিষ্টেমশিং লৈবগী ৱাফম তৌনবা লোয়রবা দিল অমনি হায়না টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়য়িপ এরদোগাননা ঙরাং ফোঙদোকখ্রে অমসুং অঙ্করানা মোস্কোগা পূন্না এস–৫০০ দিফেন্স সিষ্টেমসু পুথোক্লগনি হায়না মখা তাখি।

টর্কিনা রসিয়াগী এস–৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবগী থৌরাং অদু য়ু এসকা পূন্না তৌগদৌরিবা এফ–৩৫ প্রোগামদা অঙ্করাগী পার্টনরসিপতা অপনবা থোকহনগনি মরমদি মদুনা লোকহীট মার্টিন গ্রুপনা শাবা ফাইটর জেটশিং অদুদা অকায়বা ওইগনি হায়রদুনা য়ু এস ওফিসিয়েলশিংনা শাথিনা প্রোব্লেম ওইগনি হায়খি।

য়ু এসনা কিহল্লকখিবশিংগী মরক্তা টর্কিনা এস–৪০০কী ৱাফম অদু তৌনবা লোইরবা দিল অমনি হয়খি। য়ু এসকা পূন্না চত্থগদবা এফ ৩৫ ফাইটর জেট প্রোগ্রামদগী টর্কিবু তোহল্লক্লবসু লৈবাক অসিনা রসিয়াদা অচৌবা খূৎসু–খূৎলাইগী দিল অমদগী অমুক হন্দোক্লোই হায়না টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টর মেভলূৎ কাভুসোগ্লুনা হায়খি।

অদুম ওইনমক ইষ্টানবুলদা য়ুনিভর্সিটি মহৈরোইশিংগা টেলিভিজনদা শন্দোকপা ৱাহং–পাউখুমগী মীফম অমদা এরদোগাননা টর্কিনা টেক্নিকেল ৱার্ক চত্থখ্রে অমসুং অদুগুম্বা প্রোব্লেম অমতা লৈতে হায়বা খংলে হায়খি।

থুনা নৎত্রগা থেঙথনা ওইরবসু এস ৩৫ ফাইটর জেটশিং অদু ফংগনি। মখোয়দু য়ু এসনা পীদবা হায়বসি তৌবা য়াব থবক অমা নৎতে হায়খি।

# ওফ সোরদা থাও অমসুং গ্যাস রিজার্ব ফংদবদগী ইমরান খানগী অনিংবা কায়খ্রে



***কারাচি, মে ১৯ঃ***
কারাচি সমুদ্রা খোঙব্বানদগী চখোক্লগা অরাবিয়ান সিদা থা অমসুং গ্যাস রিজার্বশিং ফংবা ঙমখিদ্রবগী তূংদা শেননা খ্বাং কোইরবা লৈবাক অসিদা থাওগীদমক্তি মশাগী মতিকচানা কোন্নরগনি হায়বগী পাকিষ্টান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী মঙ অদু কাইখ্রে।

কারাচি মনাক্কী দীপ সিদা কেক্রা–১ ৱেলদা দ্রিলিংগী থবক অদু থাও নৎত্রগা গ্যাস রিজার্ভর ফংখিদ্রবগী তূংদা লেপখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর খানগী পেট্রোলিয়মগী মতাংদা স্পিসিয়েল এসিষ্টেন্ট ওইরিবা নদীম বাব্বরনা হায়খি।

পাকিষ্টাননা অরাবিয়ান সিদা মখোয়গী টেরিটোরিয়েল ৱাটরসতা থাও অমসুং গ্যাসকী অচৌবা রিজার্বশিং ফংগনি হায়বগী আশা তৌখিবনি।

সমুদ্রা মখাদা য়ান্না হেন্না লুবা ওইল ৱেল অমা দ্রিলিং তৌবদা য়ু এস ওইলগী অচৌবা কম্পেনি এক্সোল বোবিল, ইতালিগী ই এন আই অমসুং অতৈ কম্পেনি কয়ামরুম য়াওরি।

কারাচি খোঙ্বানদগী চখোক্লগা লৈবা কেক্রা ১ (ইন্দস জি–ব্লোক)তা মিটর ১৫০০ হেন্না লূনা দ্রিলিং তৌবগী থবক লোইখ্রে। দ্রিলিং তৌবগী ফলশিং অদু দি জি পেট্রোলিয়ম কনসেসন্সকী ওফিসতা থাগৎখ্রে হায়না মিষ্টর বাবরনা জিও ন্যুজদা হায়খি।

দ্রিলিং অদু কারাচি তোর্ব্বানদগী কিলোমিট ২৮০ রোম চখোক্লগা লৈবা অরূবা ঈশিংদা পাংথোকখিবনি।

সর্ভেয়র খরনা ইন্দস–জি ব্লোক অদু নোংমদা ক্রুদ ওইল বেরেল ৩৫০,০০০ থোকপা ইন্দিয়ান এফ সোর বোম্বে হাই ওইলফিলগা চপ মান্ননা ফংখিবনি। অদুগা অতোপ্পা খরনা মদু থাও অমসং গ্যাস মরাং কাইবা কুৱাইটতা লৈবা ব্লোকশিংগা মান্ননা হায়খিবনি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী পাউনা হায়রি।

# বাংলাদেসকী হান্নগী পি এম জিয়াগী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লে ঃ বি এন পি



***ধাকা, মে ১৯ঃ***
খলেদা জিয়াগী বাংলাদেস নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি)গী মতূং ইন্না জেলদা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খলেদা জিয়াবু য়াম্না হকচাং ফৎলোইদবা ফিভম অমদা থম্বীবদগী হৌখিবা চয়োলদগী মহাক্কী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকখিবদা হৌজিক মহাক শিবা অমসুং চংবগী লাংদা থুদুনা লৈরে হায়রি।

লৈবাক অসিগী অহুম্লক প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্লবা মশগী চহী ৭৩ শুরবা অসিবু খুদক্তা থাদোক্লবগী দিমান্দ তৌরদুনা কনামতগা উন্নদনা মতোমতা লৈবা অমসুং পীফম থোকপা লায়েং পীদবা মরমদগী জিয়ানা হার্ট দিজিজ য়াওনা মখল কয়াগী অনাবনা নারি হায়না বি এন পি ষ্টেন্দিং কমিটি মেম্বর জমির উদ্দিন সিরকারনা হায়খি।

শেঙ্গা–থুঞ্জাগী কেস অনীদা চহী ১০গী জেলগী চৈরাক অমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খলেদা জিয়াবু হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারিদগী হৌনা ধাদা লৈবা চহী ২০০লিরবা জেল অমদা থল্লি।

হান্নগী পার্লিয়ামেন্ট স্পিকর অদুনা খলেদা জিয়ানা লায়েংবা পাম্বা হোস্পিটাল অমদা মহাকপু চত্থফম থোকপা লায়েং চত্থবা ফংবা য়াহন্নবা গভর্ণমেন্টতা অপিল তৌখি।

গভর্ণমেন্টনা খলেদা জিয়াগী লায়েংগীদমক তৌফম থোকপা থৌরাং তৌগনি হায়বগী থাজবা পীখি অদুবু হৌজিক ফাওবা মতিকচাবা থবক অমত্তা লৌখৎলকখিদ্রে। হেন্না শোকচিল্লবা ফিভম অসি ফাওবদা জিয়াবু মখোয়না মপান্দা লায়েংহন্দনবা হোৎনবগী ফৎতবা ইঙ্গিৎ অমা লৈরে হায়না সিরকারনা হায়রদুনা মহাক খংহৌদনা কার্দিয়াক এরেষ্ট তৌবা য়াবগী শাথিবা খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা মওং অমদা লৈরে হায়না মখা তাখি।

বি এন পি ভাইস চিয়ারমেন অমসুং জিয়াগী পার্সোনেল ফিজিসিয়ানশিংগী মনূংদা অমা ওইরিবা এ জেট এম জাহিদ হোসেননা জিয়া হায় ব্লদ সুগরগী অনবা লৈ অমসুং মতম পূন্নমক্তা ইনসুলিন দরকার লৈ হায়খি।

হায় ব্লদ সুগর লৈবা মরমদগী মহাক্কী মরৈ চাত্থৎপা অদু ফবা ঙমদনা লৈরি। মহাক্কী ওই থংবা মরেংবান অমসুং তাংশিংসু শোকপা –পনবা খংদ্রে হায়খি।

হৌখিবা চহীদা প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হসিনানা খালেদা জিয়াবু মাগী মথক্তা পন্দুনা লৈরিবা শেঙ্গা–থুমজাশিংগী কেসতা কোর্টতা কাদবা য়ানবা জেলদা মহাক অনাবা শাদুনা লৈবনি হায়না মরান শীখি।

তোঙান তোঙানবা ক্রিমিনেল অমসুং শেঙ্গা–থুমজাগী কেসশিং মায়োক্লরিবী খালেদা জিয়াবু ৱায়েল চত্থননবা বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা সেক্যুরিটিগী মরমশিংদগী হৌখিবা চয়োলদা ধাকাগী মপান্দা জেল অমগা থংননা লৈবা অনৌবা মতম খরগী কোর্ট অমা লিংখৎখি। জিয়ানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং হাৎখ্রবা প্রসিদেন্ট জিয়াউর রেহমনগী মমিং থোনবা ওর্ফানেজ অমগীদমক পীরকপা ফোরেন দোনেসনশিং শেরান্ননা শিজিন্নবগী মরানদা মহাকপু মফমদুগী কোর্ট অমনা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারিদা জেলদা থাজিল্লকখিবনি।

## GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 31/03/19
Valid : 29/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**M M Gas**
Booking : 29/04/19
Valid : 25/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 10/04/19
Valid : 31/03/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to Date
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Hisho Gas Service**
Booking : 29/04/19
Valid : 05/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 22/04/19
Valid : 20/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 23/04/19
Valid : 20/04/19
Stk : 306

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 26/04/19
Sl. No. : 253020
Valid : 21/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Maibia Gas Moirang**
Booking : 02/04/19
Sl. No. : 0380
Valid : 01/04/19
Sl. No. : 9571
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 26/04/19
Valid : 24/04/19
Sl. No. : 29750 to 30105
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 10/04/19
Valid : 31/03/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**R & H Gas Service**
Booking : 15/04/19
Valid : 03/04/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Jemon Gas Service, Singjamei**
Booking : 15/03/19
Valid : 09/03/19
Sl. No. : 53750
Stok : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Imphal L P G**
Booking : Up to Date
No Booking Required
Stok : 662, 19 & 5kg Avail
Time : From 08.00 a.m.

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-126**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | | 4 | 2 | | 1 | |
| | 7 | | 6 | | | 5 | | 3 |
| | 4 | 8 | | | 1 | | 2 | |
| 4 | | 5 | | | 3 | | 6 | |
| 3 | 1 | | 4 | | | | | 5 |
| | 2 | 6 | 1 | | | 4 | | |
| | | | 2 | 1 | | | | 6 |
| | | 4 | | 5 | | 1 | | |
| 1 | | | | | 6 | | | 4 |

**সনা–সুদোকু – ১২৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 2 | 9 | 7 | 1 | 5 | 4 | 6 |
| 5 | 4 | 1 | 8 | 3 | 6 | 9 | 7 | 2 |
| 7 | 6 | 9 | 2 | 4 | 5 | 8 | 1 | 3 |
| 8 | 2 | 3 | 5 | 9 | 7 | 1 | 6 | 4 |
| 9 | 5 | 4 | 6 | 1 | 2 | 7 | 3 | 8 |
| 6 | 1 | 7 | 4 | 8 | 3 | 2 | 5 | 9 |
| 2 | 3 | 8 | 1 | 5 | 4 | 6 | 9 | 7 |
| 4 | 9 | 5 | 7 | 6 | 8 | 3 | 2 | 1 |
| 1 | 7 | 6 | 3 | 2 | 9 | 4 | 8 | 5 |